# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা রাম নাথ কোভিন্দ প্রসিদেন্ট মীখলগীদমক নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে




*ন্যু দিল্লি, জুন ২৩ঃ*
ভারতিয়া জনাটা পার্টি (বি জে পি)না লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবুনা পুথোকপা প্রসিদেন্ট মীরেপ রাম নাথ কোভিন্দ ঙসি পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে। নোমিনেসন ফাইল তৌবা লাকখিবা অদুদা পাঙ্গল শক্তি লৈ হায়বা উৎপগা লোয়ননা বি জে পিগী লুচিংবা অমিত সাহ, মকোক থোংবা মিনিষ্টর অমসুং চুংশিন্নরিবা পার্টিশিংগী লুচিংবা কয়াসু য়াওখি।

নোমিনেসন ফাইল তৌননবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লাকপা ঙাইদুনা লৈখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি রাম নাথ কোভিন্দগী নোমিনেসন পেপরদা অহানবা প্রপোজেল ওইনা, অদুগা হোম মিনিষ্টর রাজ নাথ সিংহনা অনীশুবদা লৈবা প্রপোজর ওইখি। নোমিনেসন পেপর ৪ শেম শাখি। লোয়ননা লুচিংবা কয়ানা নোমিনেসন পেপরশিং অদুদা সাইন তৌখি। মদুগী মনুংদা অমিত সাহ, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অরুন জেটলি, সুস্মা স্বরাজ, ভেঙ্কয়া নাইদু, অকালি দলগী লুচিংবা প্রকাস সিংহ বাদল অমসুং অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্র বাবু নাইদু য়াওখি।

নোমিনেসন পেপর সেট খুদিংমক্তা প্রপোজর ওইনা এম পি ৫০ অমসুং সেকেন্দর ওইনা এম পি অমসুং এম এল এ ৫০না সাইন তৌখি। রাম নাথ কোভিন্দ বিহারগী গভর্নর ওইবদগী মমাঙ চয়োলদা ফম থাদোক্তুনা প্রসিদেন্ট মীরেপকীদমক নোমিনেসন ফাইল তৌখি।

কোভিন্দনা নোমিনেসন ফাইল তৌবা লাকখিবা তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংসু লোয়নরকখি। লোয়নরকখিবা চীফ মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা উরিষাগী নবিন পটনাইক, টামিলনাদুগী ই পালানিস্বামীনচিংবা লুচিংবা কয়া য়াওখি।

রিজনেল পার্টি কয়ানসু বি জে পিগী নোমিনি অদুবু শৌগৎপা ফোঙদোকখি। পাউগী লিখুল অসিগী মতুং ইন্না ভোট থাদগদবা মীওইশিংগী মনুংদা চাদ ৬০দি বি জে পিগা চুংশিন্নরিবা কাংবুশিংদা লৈ। ফিভম অসি য়েংলগা কোভিন্দনা শোইদনা প্রসিদেন্ট ওইরগনি। বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা ওপোজিসনশিংগী ফিরেপকী ৱাংমদা কোভিন্দবু শৌগৎলি। মহাক্না হায়, কোভিন্দ রাষ্ট্রপতি ভাবনগী মীরেপ অমা ওইবদা কোভিন্দ মতিক চাবা মীওইনি।

চহী ৭২ শুরবী মৈরা কুমারবু ওপোজিসন পার্টিনা কোভিন্দগী মায়োক্তা পুথোক্নুনা দলিট অনী মীখল অসিদা মায়োক্নহল্লি। অদুম ওইনমক দলিট লুচিংবা অদুবু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম অদুগীদমক শৌগৎলগনি।

মৈরা কুমার বিহারদগীনি, লোয়ননা নিতিস কুমারগা মপাং অমসু ওইরিবনি। লালু প্রসাদ অমসুং কংগ্রেস পার্টিনা নিতিস কুমারগী ফিরেপ অদু অমুক হন্না খন্থদুনা বিহারগী নুপী অদুবু শৌগৎফম থোকই হায়রি।

নাকল অমরোমদা নিতিস কুমারনা হায়, মহাক্কী ওইবা ফিরেপ অদু হোংদোকপগী ৱাফম লৈতে হায়খি। মৈরা কুমার নুমিৎ খরনিগী মনুংদা প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইননবগীদমক নোমিনেসন ফাইল তৌরক্নগনি। নোমিনেসন ফাইলগী থবক থৌরমশিং লোইশিনখ্রবা মতুং মীখল অদুগীদমক ভোট খোন্থা হৌগনি।

ইলেক্টোরেল কলেজনা প্রসিদেন্ট খল্লি। হায়রিবা ইলেক্টোরেল অসিদা পার্লিয়ামেন্টকী এম পিশিং অমসুং ষ্টেটকী এম এল এশিং য়াওরি। জুলাই ১৭তা মীখল পাঙথোক্নবা মতুং জুলাই ২০দা ভোট মশিং থিগনি। হৌজিক লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা প্রনাব মুখর্জিগী মতম জুলাই ২৪দা লোইরগনি। মদুগী মাংওইননা মীখল পাঙথোক্তুনা প্রসিদেন্ট ওইগদবা মীওই খনবা মথৌ তারি হায়রি।

# পাকিস্তানগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা বোম পোকখায়বদা মীওই ৩০ শীরে

*ক্বেটা, জুন ২৩ঃ*
পাকিস্তানগী পরাচিনর লমদমগী মনুং চনবা ক্বেটাদা লৈবা চেক পোষ্ট অমদা পুলিসনা কার অমা খামদুনা চেক তৌননবা হোৎনবদা এটেক্ট চখরক্তুনা পুলিস পার্সোনেল ৭ শীখ্রে। বেলুচিস্তান প্রোভিন্সকী দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস অব্দুল রজাক চিমানা ফোঙদোরকখিবদা প্রোভিন্স অদুগী কোনুং ক্বেটা মিলিটেন্টশিংনা কার বোম পোকখায়হল্লকখি।



মীওই ১৯ শোকপগী মনুংদা ১৩ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি হায়রি। শোক্লবা মীওইশিংগী মনুংদা পুলিস পার্সোনেল ৯ য়াওরি হায়না হোস্পিটাল অদুগী ডাক্তর ফরিট সুমালননা ফোঙদোরক্লি।

পাকিস্তান টালিবানদগী মচেৎ তাখিবা জমদ উর অহারর কৌবা লুপ অমনা এটেক্ট অদু মখোয়না চখখিবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লে। লুপ অদুগী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোরকখিবদা পাকিস্তানদা অশেংবা সারিয়া সিষ্টেম চৎনহন্দ্রিবা ফাওবা এটেক্ট কয়া তৌগনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা পারাচিনরগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা ঙসি নুমিদাংৱাইরম বোম অনী মথং মথং পোকখায়হন্দুনা এটেক্ট চখরকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শীখ্রে।

অহানবা বোম পোকখায়খিবা মতুং মিনিট ৩শুবদা অতোপ্পা বোম অমসু পোকখায়রকখি হায়না লৈঙাক্কী সেনিয়র ওফিসার ৱাজির খান ৱাজিরনা ফোঙদোরক্লি। পরাচিনর হায়রিবা লমদম অদু অফগানিস্তানগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংগা নক্লনা লৈবনি।

ইফটার কুম্মৈগা মরী লৈননা মীয়াম্না কৈথেল অদুদা পোৎ লৈনখি। নুংথিলগী মতমদা চরা হেল্লুরবা মুস্লিমশিংনা নুমিদাংগী চাকলেন চাননবা রামজান থা অসিদা নুমিদাংৱাইরম পোৎ লৈবগী চৎনবী লৈ।

রামজান চৎলিবা চয়োল অসিদা লোইরগদবনি। মী চিনবা পরাচিনরগী কৈথেলদা বোম অনী মথং মথং পোকখায়রকখিবা থৌদোক অদুদি করম্বা লুপনা চখরকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। লোয়ননা লুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপসু লৈত্রি হায়রি।

নাকল অমরোমদা বেলুচিস্তান প্রোভিন্সতা লৈবা ইন্সপেক্টর জেনরেলগী ওফিস মনাক্তা কার বোম অমসু পোকখায়খি হায়না প্রোভিন্সিয়েল গভর্নমেন্টকী ৱাঙাং লোই অনৱার উল হক ককারনা ফোঙদোরক্লি।

কার বোম অদু ইন্সপেক্টর জেনরেলগী ওফিসতা টার্গেট তৌরকপা ওইগনি নত্রগা মিলিটেন্টশিং অদুনা কনটোনমেন্ট অদুদা চংননবা হোৎনবগী থৌশিল ওইরম্বা য়াই হায়রি।

বেলুচিস্তান বোম দিসপোজর য়ুনিটকী মতুং ইন্না কার বোম অদুদা পোকখায়বা য়াবা মচাক কিলোগ্রাম ৯৫ য়াওরম্বা য়াই। টেলিভিজন চেনেলশিংনা উৎলকখিবা ফুটেজ শিংনা খুদোংথিবা নংলবা মফম অদুদা ইমর্জেন্সি ৱাকরশিংনা চেনশিন্দুনা অতেক অকায় মরক্তা মী কন্ননবা হোৎনবা উখি।

ক্বেটা অফগানিস্তানগী ঙমখৈদগী কিলোমিটর ১০০ রোম চৎলগা লৈবা পাকিস্তানগী নোংপোক থংবা শরুক অমনি।

চেংগী পোখোক মরাং কাইনা পুথোকপা বেলুচিস্তান প্রোভিন্স চহী ১গী মমাঙদগী হিংশা তোইনা থোক্কনবা মফম ওইরক্লি। তোখাই তানিংবা কাংবুশিংনা লৈঙাক্কী লান্থাগী মথক্তা অকনবা লাল চখরক্লি। মদুতা নত্তনা টালিবান অমসুং অতোপ্পা ইস্লামিক মিলিটেন্টনশিংনসু অকনবা এটেক্ট চখরক্লি হায়রি।

# চনচলগুরা জেল মনাক্তা নুপীশিংতনা থবক তৌবা পেট্রোল পম্প হাংদোকখ্রে



*হায়দ্রবাদ, জুন ২৩ঃ*
চনচলগুরা সেন্ট্রেল জেল মনাক্তা লৈবাক অসিগী ওইনা অহানবা নুপীশিংতনা থবক তৌবা পেট্রোল পম্প ঙসি হাংদোকখ্রে। পেট্রোল পম্প অদুদা থবক তৌরিবা নুপীশিং অদু জেলদগী থাদোকখ্রবশিংনি হায়রি।

টেলঙ্গনাগী হোম মিনিষ্টর এন নরসিমহ রেদিনা পেট্রোল পম্প অদুবু শঙ্গারদুনা হায়, লৈবাক অসিগী ওইনা জেলদগী থাদোকখ্রবা নুপীশিংতনা চল্লাইবা পেট্রোল পম্প অমা হাংদোকপা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

ফাদোক তারুরবা নুপী অমবু থবক পীননবগী পান্দমদা টেলঙ্গনা প্রিজন দিপার্টমেন্টনা জেলদগী থাদোকখ্রবা নুপী ২৫ খনগৎতুনা পেট্রোল পম্প অদুদা থবক তৌহল্লি। হায়রিবা নুপীশিং অদুদা থা ১গী ওইনা লিশিং ১২ পীগনি হায়নসু রেদিনা ফোঙদোরক্লি।

পেন্সন এন্দ করেক্সনেল সার্ভিসকী দাইরেক্টর জেনরেল ভি কে সিংহনা ফোঙদোরকখিবদা জেলদগী থাদোকখ্রবা নুপীশিং অদু মরোমদোম লেপচবা ঙম্ননবা থবক পীবগী পান্দমদা থৌশিল অদু পায়খৎপনি।

টেলঙ্গনা প্রিজন দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদগী পেট্রোল পম্প ১০ তোঙান–তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা হাংদোক্তুনা জেলদা লৈরম্বা মীওই কয়া থবক পীরি।

থৌশিল অদু পায়খৎতুনা পেট্রোল পম্প কয়া হাংদোকপা অদুনা মরম ওইরগা চহী খুদিংগী লুপা ক্রোর ৩০০০কী টর্ন ওভর লৈহনবা ঙম্লে। অসিফাবাদতা অথুব মতমদা পেট্রোল পম্প অমসু অহেনবা ওইনা হাংদোক্লগনি হায়না ভি কে সিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# অঙাংশিংগী মথক্তা সাইবর ক্রাইম চখবশিং পোক্সোদা ৱাকৎপা য়ারগনি

*ন্যু দিল্লি, জুন ২৩ঃ*
সাইবর ক্রাইমগী ভিক্টিম ওইরবা অঙাংশিংগী ৱাকৎ নেসনেল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এন সি পি সি আর)গী প্রিভেন্স ওফ চাইল্ড এগেন্স স্কেচুয়েল ওফেন্স (পোক্সো) গী ই বোক্সতা ৱাকৎ থাঙ্গৎলকপা য়ারগনি।

অঙাংশিংদা সাইভর ক্রাইমনা শীংনরক্লিবশিং য়েংলগা এন সি পি সি আরনা হৌজিক সাইভর ক্রাইম মায়োক্লনবা হোৎনবা থৌশিল অমা ওইনা পোক্সো ই–বোক্সতা ৱাকৎপা য়াহন্নবগী থৌশিল অদু পায়খৎপনি।

ফি থোংদবা অঙাংশিংনা শক্তম কয়া সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলক্লিবা অদু সাইবর ক্রাইমনি হায়না লৌগনি। অদুগুম্বা ফিভম অদুদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরবা অঙাং মশামক নত্রগা মরুপ মপাংশিং নত্রগা মমা মপা নত্রগা মরী মতা নত্রগা অহল লমনশিংনা পোক্সো ই–বোক্সতা ৱাকৎ থাঙ্গৎলকপা য়াগনি। লোয়ননা মোবাইল নম্বর ৯৮৬৮২৩৫০৭৭দা ৱাকৎলকপা য়াগনি হায়রি।

অঙাংশিংদা মীওৎ মীনৈ চখবা খঙদোক্লবা মোবাইল অমসুং দিজিটেল টেক্নোলোজিগী চেনেলশিং শীজিন্নরগনি। লৈবাক অসিদা লৈবা অঙাং মিল্লিয়ন ১৩৪ মোবাইলদা লায়চুবগী ফিভম থেংনরি। হায়রিবা ফিভম অদু থুনা য়াংনা মশিং য়ামখৎলক্লি। মদু হেন্না ফবা ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা লৈবদগী ওইবসু য়াই।

নাকল অমরোমদা লম অদু মহৈ মশিং তমশিন্নবগী লমদা খ্বাইদগী কান্নবা মচাক ফংবা অমসু ওইরিবনি। দিজিটেল লিটরেসি অমসুং ওন লাইনদা মুন্না খঙদবনা মরম ওইরগা অঙাংশিংদা সাইবর ক্রাইমদা উখোক্লবগী মচাক অমা ওইহল্লি হায়রি।

# মধ্য প্রদেশতা চহী ২৭ শুরবা লৌমী অমা শেন্দোলনা মরম ওইরগা মথন্তা শীজখ্রে

*ভোপাল, জুন ২৩ঃ*
মধ্য প্রদেশকী চট্টরপুর দিষ্ট্রিক্টতা চহী ২৭ লোম শুরবা লৌমী অমা মথন্তা শীজখ্রে হায়না পুলিস অমসুং ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি। রঘুবির যাদব (২৭) কৌবা মীওই অদু শেন্দোল কয়া লৈরকপনা মরম ওইরগা মথন্তা শীজখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

চট্টরপুর দিষ্ট্রিক্টকী বুনখান্দ লমদমদা লৈবা চহী ২৭শুবা লৌমী অদু শেন্দোল কয়া মায়োক্লবা ঙমদবদগী চৎলিবা থা অসিগী ২১দা হু থকখি। মহাক নুমিৎ নিনি রোম লায়কন্নরম্বা মতুং ঙসি নুমিদাংৱাইরম গ্বালিয়োরদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা লৈখিদ্রে হায়না সব দিভিজনেল ওফিসার পুলিস এস পি দোরেনা ফোঙদোরক্লি।

নুমিৎ নিনিগী মমাঙদা লৌমী অদুগী অপোকপা দেসপাট যাদবনা মহাক্কী মচানুপাগী মথক্তা মীওৎ মীনৈ কয়া চৈখে হায়না ফোঙদোরকখিবা লৈখি।

ইমুং অদুগী লন–থুম য়েন্থোক্লবগী মতাংদা ৱাথোক কয়াসু লৈখি হায়না দোরেনা ফোঙদোরক্লি। অদুম ওইনমক মনিস যাদবনা হায়, রঘুবির শেল–থুমগী ফিভম শোকশিল্লকপনা মরম ওইরগা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মহাক্না মথন্তা শীজখিবা অদু ইমুং মনুংগী লন থুম য়েন্নবগা মরী লৈনদে হায়খি।

# মালেমগী মীওই চাদ ৫দি দ্রগতা লায়চুরি ঃ য়ু এন



*ভিয়েনা, জুন ২৩ঃ*
মালেমদা লৈবা মীওইশিংগী মনুংদা চাদ ৫দি দ্রগতা লাইচুরি। অদুগা মীওই মিল্লিয়ন ৩০না হিদাক মনাগী পোৎলমশিংদা মপান তাংনা হিংলি। মখোয় লায়েংবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না য়ু এননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এননা চহী খুদিংগী ফোঙবা দ্রগ অমসুং ক্রাইম রিপোর্টকী মতুং ইন্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চহী খুদিংগী মীওই চা কয়া দ্রগকা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা শীরি। দ্রগকা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা শীবা মীগী মশিং হেনগৎলক্লি।

ইং ২০১৫দা মীওই কয়া দ্রগকা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা শীখি। দ্রগ শীজিন্নবগা মরী লৈনবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না মালেমগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন ১২ রোম নিয়ম চুমদনা দ্রগ কাপ্পগী থবক চৈখে। মীওই মিল্লিয়ন ১.৬না ঐচ আই ভি লৌনরকই। অদুগা মীওই মিল্লিয়ন ৬.১না হেপটাইটিস–সিগা লোয়ননা হিংলি হায়রি।

মালেমগী ওইনা নুপীশিংনা দ্রগ চাবা মশিংদগী নুপাশিংনা দ্রগ চাবনা শরুক ২ হেল্লি। মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাক ১০০দা ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবনা মীওইবগী ব্রেনদা অহোংবা কয়া লাকহন্দুনা ৱাখল লায়না ওইহল্লকই।

ইং ২০০৯দগী ইং ২০১৬ ফাওবদা য়েংশিনখিবদা হায়রিবা ফিভম অদু খঙবা ঙমখিবনি। ইং ২০১১দগী ইং ২০১৬ ফাওবদা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা কোকাইন শীজিন্নবগী চাং চাদ ৩০ হেনগৎপা থেংনৈ। হিদাক মনা শীজিন্নবগী চাং সু ইং ২০১৬তদি মমাঙদা ওইখিবা ফিভমশিংদগী শরুক ৩ থোকপগী ১ হেনগৎলে হায়রি।

অফগানিস্তানদা পোপি লোকপগী চাং কিনিংঙাই ওইবা মওংদা হেনগৎলে। মদুতা নত্তনা মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা হেরোয়িন অমদি মোর্ফিন ফাবগী থৌদোকশিংসু হেনগৎলক্লি হায়রি।

# পি এস এল ভিনা কার্টোসেট – ২ সেরিজ মায় পাক্লা কাপখৎখ্রে, নানো সেটিলাইট ৩০ ওর্বিটতা থমখ্রে

*শ্রীহরিকোটা, জুন ২৩ঃ*
ইন্দিয়াগী স্পেস এজেন্সি ইসরো (ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন)না ঙসি পোলর সেটিলাইট লোঞ্চ ভেহিকল শীজিন্নদুনা অতিয়াগী মিট হায়না খঙনবা কার্টো সেট–২ সেরিজ সেটিলাইট মায় পাক্লা কাপখৎখ্রে।



সেটিলাইট অদু ঙাক–শেনগী লমদা শীজিন্নগদবনি। লোয়ননা অপিকপা সেটিলাইট ৩০সু ওর্বিটতা থমখি। পি এস এল ভিনা ঙসি সেটিলাইট পুখৎখিবা অদু রোকেট অদুগী ৪০শুবা খোঙচৎ ওইরে। শ্রীহরিকোটাগী ছটিস ধাৱান স্পেস সেন্টরগী অহানবা লোঞ্চ পেদতগী অয়ুক্কী পুং ৯.২৯ চৎপদা কাপখৎখি।

মিনিট ২৭কী মতুংদা সেটিলাইটশিং ওর্বিটতা থম্বা ঙমখিবদা ইসরোগী সাইন্টিসশিংনা খুবাক খুদুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি। মিটির ৪৪.৪ শাংবা পি এস এল ভি সি ৩৮ রোকেটনা মালেমগী অকোইবদা পায়দুনা লৈগদবা সেটিলাইট কার্টো সেট – ২ সেরিজ মপুং ওইনা পুখৎখি। মদুতা নত্তনা অতোপ্পা অপিকপা সেটিলাইট ৩০সু ওর্বিটতা থমখি।

ঙসি পি এস এল ভিনা পুখৎখিবা অপুনবা পেলোদ অদু কিলোগ্রাম ৯৫৫ লুম্মী হায়রি। ইসরোগী পাউ মতুং ইন্না রোকেট অদুনা পায়খৎখিবা মিনিট ১৬কী মতুংদা পোল্লর সন সিনক্রোনস ওর্বিট হায়না খঙনবা লৈমায়দগী কিলোমিটর ৫০৫ ৱাংবা অমসুং ইনক্লাইন এঙ্গল ৯৭.৪৪ দিগ্রিদা ইক্বেটরগা নক্লনা সেটিলাইট অদু ইজেক্ট তৌখি। মদুগী মতুং মথং মনাও নাইনা সেটিলাইট মচা ৩০ অদু তোঙান–তোঙানবা ওর্বিটশিংদা থমখি।

সেটিলাইটশিং অদু মশা মশাগী ওর্বিটতা থমখ্রবা মতুং ইসরোগী ট্রেকিং এন্দ কম্মান্দ নেটৱার্কনা সেটিলাইটশিং অদু কন্ট্রোল তৌখি। লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা সেটিলাইটশিং অদু মথৌ তৌবা হৌরগনি।

কার্টো সেট–২ সেরিজগী মিসাইল কাপখৎপা হন্দক্কী অসিনা অহুমশুবনি। সেটিলাইট মখল অদু অতিয়াগী মিট হায়না মিংথোল পীরি। সেটিলাইট অদুনা থুনা অমদি পাক শন্না য়েংশিনবা ঙমগনি। লোয়ননা দিফেন্সকী লমদা শীজিন্নগনি হায়রি।

মমাঙদা কাপখৎখিবা চপ মান্নবা মখলগী সেটিলাইট অদুনা পীরকপা দেটাশিং শীজিন্নদুনা ইনিদয়ানা য়ুমলোন্নবা লৈবাক অমদা মায় পাক্লা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চখবাঙমখি হায়না ইসরোনা ফোঙদোরক্লি।

নৌনা কাপখৎলিবা রিমোট সেন্সিং সেটিলাইট অদু মিটর ০.৬কী রেজোলুসন পীবা ঙম্মী হায়রি। ৱাফম অসিনা ফোঙদোক্লিবদি লৈমায়দা লৈবা অপীকপা পোৎশক অমা ফাওবা খঙদোকপা ঙম্মী হায়বনি হায়রি।

মিটর ০.৬কী অকোইবদা লৈবা অপিকপা পোৎশকশিং চপ চানা মশক খঙবা ঙম্বগী শক্তি য়াওরি। সেটিলাইট অদুনা দিফেন্সকী লমদা সার্ভিলেন্স চখবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। সেটিলাইট অদুনা টেরোরিষ্টশিংগী কেম্প অমদি বঙ্করশিং লাইনা খঙদোকপা ঙম্মী।

সেটিলাইট অদু শীজিন্নবা য়াবগী থাক্তা লৈবনা দিফেন্স ফোর্সতা শীন্নগনি। মখোয়না সেটিলাইট অদু গ্রাউন্দ ষ্টেসনদগী হেন্দল তৌদুনা দেটা কয়া খোমগৎপা ঙম্গনি। ঙসি কাপখৎখিবা অপিকপা সেটিলাইটশিং অদুগী মতুংদা অমদি টামিলনাদুগী কণ্যা কুমারিদা লৈবা নুরুল ইস্লাম য়ুনিভর্সিটিনা শাবনি।

অপিকপা সেটিলাইট অদু লৌউ–শীংউগা মরী লৈননা পোখোকশিং য়েংশিনবদা অমদি দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী লমদা শীজিন্নগনি।

সেটিলাইট মচা ২৯না অতোপ্পা মপান লৈবাক ১৪গীনি। হায়রিবা লৈবাকশিং অদুদি ওষ্ট্রিয়া, বেলজিয়ম, চিল্লি, জেক রিপব্লিক, ফিনলেন্দ, ফ্রান্সকী, জমনি, ইটালি, জাপান, লাটভিয়া, লিথ্বানিয়া, স্লোভাকিয়া, য়ুনাইদেট কিংদম অমসুং য়ু এস এনি হায়রি।

পি এস এল ভি–সি ৩৮না সেটিলাইটশিং অদু অমমতা ওইনা তোঙান–তোঙানবা ওর্বিটতা থম্বদা মিসন কন্ট্রোল সেন্টরদা সাইন্টিসশিংনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি।

ইসরোগী চেয়ারমেন এ এস কিরন কুমারনা হায়, মিসন অদু মায় পাক্লে। মিসন অদু মায় পাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীওই খুদিংমকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মরু ওইনা কার্টো সেট টিমদা অখন্নরা থাগৎনিংই হায়খি।

## GAS TODAY

**MANIPUR GAS**
Booking upto .......29/03/2017
Valid from ........... 21/03/2017
Stk..................................306
Timing........7.30 to 09.30 a.m

**LAMBODARA INDANE SERVICE**
Booking upto .......18/04/2017
Stk..................................270
19kg ................................ 24
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking upto .......08/03/2017
Valid from ........... 28/02/2017
Stk............612 DNSC (DBTL)
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
Booking upto .......08/04/2017
Valid from ........... 04/04/2017
Stk..................................576
(Aadhaar Link only)
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**CANCHI INDANE**
Booking upto .......12/04/2017
Valid from ........... 07/04/2017
Stk 14kg..........................612
Rate ............................. 699
Timing........8.00 to 10.00 a.m

**ATHOKPAM INDANE**
Booking upto .......01/04/2017
Valid from ........... 22/03/2017
Stk..................................306
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**HERAN VALLEY GAS**
Booking upto .......25/02/2017
Valid from ........... 14/02/2017
Stk..................................306
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**GBD GAS, LAMLONG**
Booking upto .......20/03/2017
Valid from ........... 06/03/2017
Stk..................................612
Timing........6.30 to 10.00 a.m

**TDK GAS, SEKMAI**
Booking upto .......05/04/2017
Valid from ........... 28/03/2017
Stk..................................566
Timing........7.00 to 10.30 a.m

**KHUMBONG GAS INDANE**
Booking upto .......22/04/2017
Valid from ........... 19/04/2017
Stk..................................306
Sl. No. Upto ............... 13200
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto .......06/04/2017
Valid from ........... 03/04/2017
Sl. No. ......................... 7870
Stk..................................306
Timing........7.00 to 11.00 a.m

**YAIRIPOK GAS**
Booking upto .......05/04/2017
Valid from ........... 30/03/2017
Stk..................................306
Sl. No. ......................... 8530
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**JEMON GAS, SINGJAMEI**
Booking upto .......12/04/2017
Valid from ........... 25/03/2017
Stk..................................612
Sl. No. ....................... 22300
Timing........7.00 to 09.30 a.m

## সনা–সুদোকু– ৮৯৬ গী সোল্যুস

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 5 | 3 | 8 | 1 | 6 | 4 | 7 | 2 |
| 2 | 1 | 4 | 7 | 3 | 5 | 8 | 6 | 9 |
| 6 | 7 | 8 | 4 | 2 | 9 | 1 | 3 | 5 |
| 8 | 2 | 7 | 3 | 5 | 4 | 9 | 1 | 6 |
| 4 | 9 | 5 | 6 | 8 | 1 | 7 | 2 | 3 |
| 3 | 6 | 1 | 2 | 9 | 7 | 5 | 8 | 4 |
| 7 | 3 | 9 | 5 | 6 | 8 | 2 | 4 | 1 |
| 1 | 4 | 6 | 9 | 7 | 2 | 3 | 5 | 8 |
| 5 | 8 | 2 | 1 | 4 | 3 | 6 | 9 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-896**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 9 | | |
| | 2 | | 6 | 4 | | 8 | 5 | |
| | | | | | 1 | | 3 | |
| | | | | 1 | | 6 | | |
| | | 8 | 5 | 3 | | | | |
| | 6 | 3 | | 7 | 2 | | | 5 |
| | | | | | | | | 8 |
| 3 | | | 7 | 9 | | 5 | 4 | |
| | | | | | | | 1 | 6 |